HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




সিৰেভস মণিপুৰনা শীন্দুনা থৌবালগী ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজদা পাঙথোককখিবা থৌরমদা সিৰেভসকী মনা ফংলক্লবা মেম্বর অহুমবু তরান্না ওকখিবগা লোয়ননা মেম্বর নহাকপম বিরেননা ইবা লাইরিক 'মাঙলবা লমদম' ফোঙখিবা


থম্মোয় পাউদম : স্কুলগী থোঙজীন্দা অহানবা খোঙথাং - ২ লামায় ২
লামায় ৪ ফৌ পাম্ফেল হুনবদা পেদী ড্রম সীদর শীজিন্নবনা...
চ৞য়েন থাবা লামায় ৫
লামায় ৬ মীতোপ খন্দোক্তনা সেন্সস অমদি দিলিমিটেশন...
ইনকম টেক্স বিল ২০২৫গী পার্লিয়ামেন্টরি... লামায় ৮
লামায় ১০ ডা. বি সী রোই ট্রোফিঃ মণিপুরনা ঋরখন্দবু...


শক্লাইরবা অইবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা শীন্দুনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোককপা মহাক্কী চহী ১০০ শুরকপা কুমওন থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 49, Issue No. 111 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, July 21, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## ঙসিদগী সিট্টিং ২১ লৈগদবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম হৌরগনি

# মণিপুরদা 'প্রসিদেন্টস রুল' শাংদোকপদা অয়াবা পীবিনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিজোল্যুশন ১ শোয়দনা পুখৎলগনি

### পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী মাঙওইননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা চ্যের লৌদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে, পার্টি ৪০গী লিদর ৫৪না শরুক য়াখি




**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :** পার্লিয়ামেন্টকী লৱার হাউস অমসুং অপ্পর হাউসশিং ওইরিবা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী নোংজু মীফম হয়েংদগী হৌরদুনা সিট্টিং ২১ লৈহন্দুনা মীফম চত্থনবগী মতাংদা সেশন অসিগী মাঙওইননা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের), কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজরসু ওইবদা নত্তনা রাজ্য সভাদা হাউস অসিগী লিদর ওইরিবা জগৎ প্রকাস নদ্দানা চ্যের লৌদুনা পোলিটিকেল পার্টি ৪০গী লুচিংবা ৫৪না শরুক য়াবা পার্টিশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হন্দক্কী মীফম অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা বিল ১৫ পুথোক্লবা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা চলাইরক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংদোকহনবসি মীয়ামগী অনীংবা অপান্বা অমসুং দেমোক্রেসিগী মায়োক্তনি : কে মেঘচন্দ্র

### মণিপুরগী লৈহাওগা চান্নদ্রবা বি জে পিনা পানবা হৌরকপদগী লো লৈত্রে, গভর্নেন্স লৈত্রে, মীয়াম খম থেংনা ৱারে - কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লক্লিবসি অতোপ্পা থা ৬ অমগা মখা তানা শাংথহন্নবা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফম মনুংদা ৱারেপ লৌরকপা য়াই হায়বগী মতাংদা মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল শাংথহনবা হায়বসি মীয়ামগী অনীংবা-অপান্বা অমদি দেমোক্রেসিগী মায়োক্তনি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি খাবৈশোই মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা খুরাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ব্লোক লেভেলদা পাঙথোকপা পার্টি অসিগী 'সম্বিধান বচাও' রেল্লিদা ফোঙদোকখিবনি।



ৱাঙ্খেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা পার্টি প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপা থা ৬ ফাগদৌরে অদুবু ষ্টেট অসিগী ফীভমদি থোইদোক্লা ফগৎলকপা লৈতে। লৈঙাক অসি মখা তানা শাংথহনবা য়ানীংদে। প্রসিদেন্টস রুল শাংথহনবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী অনীংবা-অপান্বা নত্তে অমসুং মীয়ামগী মীহুৎশিংবু কন্থোক্তুনা থল্লগা নম্ফন্দা সেন্টরনা দিরেক্ট তৌরগা লৈঙাক্কে হায়বনি। দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন অমা ওইনা অমসুং লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশননা পীরিবা প্রোভিজনশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফেদরেল ষ্ট্রকচরবু নমথবনি হায়খি।

মণিপুরগী মীয়াম্না প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লাক্লগা খরা ফগদ্রা হায়না খন্নরম্বদুসু ওইথোরক্ত্রে। পি আর মমাঙদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নোংমৈ মরূ য়োনবনি হায়বগী চার্জদা মীওই ৩ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা নোংমৈ মরূ য়োনবদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৩ থাংমৈবন্দ খুয়াথোং পোলেম লৈকায়দগী ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দগী কোন্সম উত্তম এলিয়জ অবুংঙো (১৮), থিঙুজম দেবিদ এলিয়জ টোনি (২৮) অমসুং থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দগী ঙাঙোম রোহিট এলিয়জ থোই (২৩) নি হায়রি। মখোয়দগী ইন্সাসকী মরূ ৭০, মেগজিন অমগা কোন্নবা এ কে রাইফলসকী মরূ ২৬, ইন্সাস এল এম জিগী মেগজিন ২, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন ১, এস এল আরগী মেগজিন ১, পোইন্ট ৩০৩গী মরূ ৬৭, পোইন্ট ৩৮ এম এমগী মরূ ১০০ অমসুং এস এল আরগী মরূ ৩ রিকোভর তৌরে হায়রি।

## হিরোইনগা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):** পুলিসনা ঙরাং শীংজমৈ চীংঙামখোঙদগী মারুটি কার (এ ষ্টার) অমা চেক তৌবদা সাপোন কেপ ১০দা হাপ্লন্থা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ১০৫.৪গা কোন্ননা গাড়ী অসিদা তোংলকখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইরোং উমং খুনৌগী ইরোং চেশোবদগী এম দি অজাদ য়ুমখাইবম (৩২) কৌবা মীওই অমা ফারে হায়রি।

## য়ু জি ৩ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

ঙসি পুলিসনা ককচীং সুপর মার্কেট এরিয়াদগী য়ু পি পি কেগী কাদর অনী মোবাইল ফোন অনীগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়বদা ফারবশিংদি ককচীং সুপর মার্কেট ফৌশুপাৎ লৈকায়দগী নোংমাইথেম সুভাসচন্দ্র এলিয়জ ককচীংঙাকপা (৪৪) অমসুং হিয়াংলম ময়ায় লৈকায়দগী এলাংবম অভিনাস এলিয়জ ঙন্বা (২২)নি হায়রি। অমরোমদা, ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা প্রিপাককী সর্জন্ট মেজরনি হায়বা কোন্থা অহল্লুপ মখা লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম তোম্বা এলিয়জ লাইঙম (৩৮) কৌবা কাদর অমা ময়ূমদগী ফারে হায়রি। মহাক ম্যান্মারগী টনালদা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং ফংলুরবনি অমসুং মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদা কাদর অমসু মহাক্না রিক্রুট তৌখ্রে হায়রি।

## স্মার্ট প্রীপেদ মিটরশিং

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

এম এস পি দি সী এলগী মেনেজর (শীংজমৈ সব-দিভিজন) থোকচোম দিগম্বরনা থোকপা চেরোল অমদা কম্পনি অসিনা ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন-৩দা রিভেম্পদ্ দিষ্ট্রিব্যুশন সেক্টর স্কিম (আর দি এস এস) কী মখাদা স্মার্ট প্রিপেদ মিটরশিং পানবগী থবক চত্থবা হৌরে হায়রি।

থবক অসি কম্পনি অসিনা ওথোরাইজ তৌরবা এজেন্সী এম/এস সঙাই স্মার্ট মার্কেটিং প্রাইভেট লিমিটেদনা চত্থবনি। শীংজমৈ সব দিভিজনগী মখাদা লৈবা হৈরাঙ্গৈইথোং অমসুং শীংজমৈ ফিদ্দরগীদি হয়েংদগী হৌরগনি। থবক অসিদা কঞ্জুমরশিংনা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

## বরাক তুরেলদা হিদা পুরকপা লুপা ক্রোর ৭৬ লোমগী হিরোইন অমসুং মেথামফেটামাইন টেব্লেট ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :** অসাম রাইফলসনা মণিপুর পুলিস অমসুং সী আর পি এফনচিংবা ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং য়োনবশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা



অকনবা থবকশিংগী মখা তারকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বরাক তুরেল মরীলদা হিদা হাপ্তুনা পুরকখিবা লুপা ক্রোর ৭৬ লোমগী মমল ওইগদবা হিরোইন অমসুং মেথামফেটামাইন টেব্লেট লিশীং ৫০ ফারে হায়রি।

কম্বাইন্দ টিম্না ফারবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# 'লৈঙাক্না তম্পাক্কা নক্নরিবা কাংচুপ চিরু রিজার্ভ ফোরেষ্টতা সূগী কেম্প ৩ থম্নবা থৌরাং তৌরক্লিবসি খুদক্তা লেপ্পু'

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :** তম্পাক লমগা তাইননা অমসুং নক্ননা লৈরিবা কাঙচুপ খুদক্তা লেপ্পুনা হন্দোক্কদবনি হায়না রুরেল য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশনগী প্রসিদেন্ট




চিরু রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা কুকি-জোগী সূ তৌনরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী দিজিগ্নেটেদ কেম্প ৩ থম্নবা লৈঙাক্না থৌরাং তৌরক্লিবসি নিংথৌজম বসন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মায়োক্তা ঙসি ফয়েং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## খুরখুলগী মান্দব য়ূম্ফম রিলিফ কেম্প

# কেম্প কোওর্দিনেটরনা চৈ-থাংই হায়বা ৱাহৌদগী আই দি পিশিং রিলিফ কেম্পশিং থাদোক্তুনা দি সী ওফিস মমাঙদা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা কাঙলূপ মশেলগী লাননা মরম ওইরদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সপরমৈনাদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা খুরখুলগী মান্দব য়ূম্ফম রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংদা কেম্প অসিবু শেন্নরিবা কোওর্দিনেটরনা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা চৈ-থাংই হায়বগী ৱাহৌদগী খোইশাওনরবা আই দি পিশিংনা রিলিফ কেম্প অদু থাদোক্লম্লগা মখোয়বু মশাগী ময়ূমদা হলহনবীরো হায়দুনা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই কয়ানা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস মমাঙদা অহিং য়ারেক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

রিলিফ কেম্প অসিদগী থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবশিংগী মনুংদা ইমুং ৩২গী মীওই ১৩০না শরুক য়াখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মালেমঙানবা কৌবা আই দি পি অমনা ফোঙদোরকপদা থোরক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নরকপদগী অৱা-অনা কয়া খাঙদুনা রিলিফ কেম্পতা চহী অনী হেন্না লৈরক্লবনি। অদুবু আই দি পিশিংদা ওনশিন্দুনা তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া ঙাঙ-শক্লকপা অসি লাইবক থীবনি। অসিগুম্বা ফীভমদা লৈগদবা ওইরবদি ঐখোয় রিলিফ কেম্প অসিদা মখা তানা লৈবগী মথৌ তাদ্রে। মরম অসিনা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিঞ্জরগে হায়দুনা কেম্পতগী থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনবনি হায়খি।

কেম্প অসিগী আই দি পিশিংনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদগী থোরক্তুনা খোঙজং অসি চঙশিল্লকখিবনি।

চৈরকসিদা, ঙসি অয়ুক দি সীগী ওফিশলশিংনা আই দি পিশিং অসিগা উনদুনা ৱারী শানখ্রবা মতুংদা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অথুবা মতমদা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়রি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু চহী অনী হেন্না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগীদমক খনবীদুনা মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা মখোয়বু মশা-মশাগী য়ূম ইঙ্খোলদা হঞ্জিন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

করিগুম্বা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হায়রিবা থবক অসি পায়খৎলক্ত্রবদি আই দি পিশিংনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং লৈঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা য়াই হায়খি।

# মীতৈলোল অমসুং ময়েক চাওখৎহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না মতেং পাংবীফম থোকই


### শক্লাইরবা অইবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ১০০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):** মীতৈলোল অমসুং ময়েক চাওখৎহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না মতেং পাংবীফম থোকই হায়রদুনা মণিপুরগী মথংদা মীতৈ খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈবা ষ্টেট অসি অসামনি অদুগা মসিগী মথংদনা ত্রিপুরানি হায়না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অসামগী প্রসিদেন্ট ডা. ফুরিৎশাবম বিরমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুরগী শক্লাইরবা লৈখিদ্রবা অইবা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী বর্থ সেন্টিনরি সিলেব্রেশন কম্মিটিনা শীন্দুনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা অইবা অসিগী চহী ১০০ শুরকপা মপোক কুমওন থৌরমদা মহাক্না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, অসামদা মীতৈশিং খুন্দারক্লিবসি চহী ৬০০ রোমগী মমাঙদগীনি। অদুবু অসামগী মীতৈশিংনা মীৎয়েং থল্লিবসি মণিপুরদনি। মণিপুর লৈঙাক্না অসামদা অমসুং ত্রিপুরাদা মীতৈলোল অমসুং ময়েক চাওখৎহন্নবা শেন্থং খরা কায়থোকপীবা য়াগদ্রা হংনীংই। করিগুম্বা অসামদা লৈরিবা বেঙ্গলিশিংনা মখোয়গী থৌদোক অমা থোরকপদা মখোয়গী হৌরকফম ওইরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্না ফৈগাক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইরগদবা পুনীট কুমার গোয়ল ইম্ফালদা থুংলরে




**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):** মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সসনগী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংনা থোকখিবা ওর্দর অমনা মণিপুরগী অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইনবগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীরকখ্রবা ডা. পুনীট কুমার গোয়ল ঙসি ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা হয়েং ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরি ওইরক্লিবা প্রসান্ট কুমার সিংহদগী ওফিস পায়বগী চার্জ লৌরগনি হায়রি।

অনৌবা চীফ সেক্রেটরি ওইরগদবা পি কে গোয়ল ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# ইপানা ওটৌরিক্সো থৌরগা ঐহাকপু ইহৈ তমহল্লকখিবনি, য়ূম লৈজদ্রবসু কন্না হোৎনদুনা ইমা অমসুং ইপাবু নুংঙাইহনখিগনি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
চূড়াচান্দপুরগী সঙাইকোট্তগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু এন ঈ ঈ টি য়ু জিগী এগজামিনেশনদা শরুক য়ানবগীদমক মেসিদা কোচিং তৌরিবী মশাগী চহী ১৯ লোম শুরবী সোরোকখাইবম বসন্তিনা পাউচে অসিদা হায়, পাবুংনা ওটৌরিক্সো থৌদুনা অমদি ইমানা মীগী য়ূমদা থবক শুবা চৎলগা ঐবু মখোয় অনীগী অঙন্বা লেভেলদা হোৎনবীবা অসিনা ঐহাক্কী ওইনদি অৱাৎপা হায়বদু লৈত্রে হায়না খল্লি।

ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেশনদা শরুক য়াবা মতমদসু অতোপ্পা মহৈরোয়শিংনা ট্যুশননচিংবা চৎতুনা কন্না হোৎনৈ অদুবু ঐহাকসু ইমা অমসুং পাবুংনা ঐঙোন্দা থল্লিবা থাজবা অদু য়ূম মৈ চাকখিবগী নুংঙাইতবা ৱাখল কয়াগা লোয়ননা লৈঙাক্না ঐখোয়গী অৱাৎপদা মতেং পাংবীদবা অমসুং ইহৈ-ইশিং তম্বদা করিমত্ত হংবীরক্ত্রবসু ইমা অমসুং পাবুংনা হোৎনজরিবা খরা অসিগী মতুংইন্না কন্না হোৎনদুনা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবা ঙমজখি অদুগা ঐহাক্না অমুক্কা হেন্না লাইবক



ফরে খঞ্জবদি অসুক ৱানা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরক্লবসু ঐহাক্না তমজনীংলিবা মেদিকেল তম্বা ঙম্নবনি হায়দুনা পাবুংনা দাইএবেটিস লায়নাগা শাগোন্নদুনা মখোঙ পোমখৎতুনা পোপথোক পা য়াওরক্লবসু চৈনা খাঙদুনা শেল তাল্লগা ঐহাক্কী অনীংবা অপান্বা থুংনবা হোৎনবীবা অসিনা ঐহাক খ্বাইদগী লাইবক ফবা মচা অমনি হায়না খল্লি। ঐহাক্না ফংনীংলিবা পান্দম অসি থুংনবা ইশাগী য়ূমদা লৈত্রবসু কন্না হোৎনদুনা ইমা অমসুং পাবুংবু নুংঙাইহনখিগনি হায়রকখি। (মথং-মথং)

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মপাউ-১৫

# পোৎফম ফম্লগা ইচা-ইশুগী খনবা য়ারক্ত্রে, প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকসু পান্নক্ত্রে



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :** আর্মদ ফোর্সেস স্পেশল পৱারস এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮না মণিপুরগী মীয়াম ওৎপা য়াবা ওৎখ্রে, ৱাহনবা য়াবা ৱাহনখ্রে অদুবু হৌজিকসু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এক্টিভ কেস ৯

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

ঙসি সেম্পল ৩৮ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ কেস ৩ থেংনরবসু মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ৯ খক্তা ঙাইরে।

## মীওই ১ শিরম্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস):**

পল্লেলদগী আইমোল চৎপা লম্বীদা লৈবা সালোম ইংলিস একাদেমি মনাক্তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লমকাং খুনয়াই ভিলেজদগী এস কে থেমসেল লমকাং (৫১) কৌবা মীওই অমা শিদুনা লৈরম্লে।

পুলিসনা লাক্তুনা য়েংশিল্লবদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা মহাক্কী মশক তাকখিবগা লোয়ননা মখোয়না লৌশিঞ্জরগে হায়রকপদগী খূৎশিন্নখ্রে। মহাক ড্রগ ওভরদোজদা শিব্রা নৎত্রগা মতৌ করম্না শিবনো হায়বা খঙদ্রি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫